# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 09-12-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৯-১২-২০২৪, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি হরিয়ানাদা বিমা শখি য়োজনা হৌদোক্কনি অমসুং মহারানা প্রতাপ হোর্তি-কলচরেল য়ুনিভর্সিতিগী মেইন কেম্পস শানবা যাত্রাসু হুনগনি।

২) ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা ঙরাং রসিয়াগীদমক ভারত থাদোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) ৱিমেন্স জ়ুনিয়র এসিয়া কপ হোক্কীদা ভারতনা বংলাদেশপু পাঞ্জল ১৩-১ দা থোইখ্রে।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি হরিয়ানাগী পনিপটতা এল.আই.সিজ বিমা শখি য়োজনা হৌদোক্কনি অমসুং মহারানা প্রতাপ হোর্তি-কলচরেল য়ুনিভর্সিতিগী মেইন কেম্পসকী যাত্রাসু হুনগনি। লম একর ৪৯৫দা শাগদবা মেইন কেম্পস অমসুং রিজনেল রিসর্স ষ্টেসন ৬ অসি পুন্না লূপা কোতি ৭০০ হেন্না চংদুনা শাগদবনি। য়ুনিভর্সিতি অসিদা গ্রেজ্যএট অমসুং পোষ্ট গ্রেজ্যএটকী হোর্তি-কলচরগী কোলেজ অমা অমসুং হোর্তি-কলচরগী দিসিপ্লিন ১০ লৈবা স্কুল ৫ লৈগনি। মসিদা, হোর্তি-কলচরগী টেকোলোজি চাউখৎনবা মালেম থাক্কী ওইবা রিসর্স অমদি মহৈ-মরোংশিং ফগৎহন্নবা থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

বিমা শখি য়োজনা অসিনা চহী ১৮ দগী ৭৮ ফাওবা লৈবা ক্লাস টেন পাস তৌরবা নুপীশিংদা হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি।

**সেক্যুরিটি (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লকবা সেক্যুরিটি ফোর্সনা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী লপ্তুনা চৎথরি। পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী আর.পি.এফ, পি.এল.এগী মীওই অমা ঙরাং ফারে । মীওই অসি জিলা অসিদা ইস্পা সেন্তরশিংদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। ফারবা মীওই অসিদগী মোবাইল হেন্দসেদ অমা শেল খরা অমসুং অতৈ পোৎলম খরসু ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে-২ দা সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা মাল পুবা গারি ৩৭৩ ইম্ফাল তমা চংলকখ্রে হায়রি। সেক্যুরিটি ফোর্সনা লম্বী অসিগী খুদোংথিনিঙাই ওইবা মফমশিংদা মাল পুবা গারিশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অশোয়-অঙাম থোক্তনবা চেকশিন্না ঙাক শেল্লি।

**আই.এল.পি (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিস্তেম চৎনরকপা চহী মঙা শুরকপগী থৌরম অমসুং মণিপুর ষ্টার্ট অপ স্কিম ২.০গী মখাদা ইন্টনেল্লি দিসপ্লেস পর্সন্সশিংদা থবক পীনবগীদমক সী.এম.ঈ.এস.এস স্পিপসিএল পেকেজ টু ষ্টার্ট অপ-ওন্টরপ্রেনরসশিংগা হকথেংননা উনদুনা ৱারি শান্নবগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোক্কনি। রাজ্য সরকারগী হোম দিপার্টমেন্ট অমসুং প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা শিনবা থৌরম অসিদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি। থৌরম অসিদা, মন্ত্রিশিং অমসুং এম.এল.এশিংসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইগনি হায়রি। থৌরম অসিদা, লমজিং মৈরা সাপম রোবিনহুদতা লৈ-শু কৎতুনা ইকাই খুমবা উৎকনি।

**ইরাবোট(এল)ঃ** ইরাবোট ফাউন্দেসন মণিপুরনা শিন্দুনা ৬ শুবা লৌমীশিংগী পোইনু মীফম ঙরাং জে.এন.মণিপুর দান্স একাদেমিদা পাঙথোকখ্রে। খনগৎলবা লৌমী ২০ দা মনা পীদুনা ইকাই খুমবা উৎখি।

**গুৰাহাতি (এল)ঃ** গুৰাহাতিগী হোতেল রেদিসন ব্লুদা থা অসিগী ৭ অমসুং ৮ দা চৎথখিবা নেসনেল কনফরেন্স ওফ ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন কোলেজ ওফ জেনরেল প্রেক্তিস্নরস (জি.পি.কোন) ২০২৪ দা ইমা সি.জি.পি ফেকলতি মণিপুরদগী ডোক্তর ৩০ শরুক য়াখি। ফেমিলি মেদিসনদা অনিশুবা ফেলোসিপকী থা ৯ গী কোর্স মাহ পাকা পাঙথোকখিবগীদমক দিন্স এপ্রিসিএসন এৱার্দ ইমা সি.জি.পি ফেকলতি মণিপুরনা ফংখি।

**মৈ (এল)ঃ** মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিতেদনা কেন্দ্রগী পৱার মন্ত্রালয়গী ব্যুরো ওফ ইনর্জি ইফিসিয়েন্সিগা খুৎশমদুনা ইনর্জি কঞ্জার্ভেসন ৱিক ২০২৪ গী পালন থৌরম ঙসিদগী হৌরগনি। থৌরম অসিগা মরি লৈননা মহৈরোইশিংগী লাইয়েকপা, রচনা ইবা, ক্বিজ অমসুং দিবেট চাংদমবা পাঙথোক্কনি হায়রি।

**রাজনাথ**ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা ঙরাং রসিয়াগীদমক ভারত থাদোকখ্রে। ঙাকশেল মন্ত্রি অমসুং রাসিয়াগী মহাক্কা ফম মান্নবা এনদ্রে বেলেসোপকা মোস্কোদা পাঙথোক্কদবা মিলিটরি টেকিকেল কোওপরেসন অমসুং ভারত অমসুং রসিয়াগী মিলিটরিগী ওইবা ২১ শুবা ইন্টর-গভর্ণমেন্তেল কন্মিসন থৌরমদা পুন্না সভাপতি ওইগনি।

লূচিংবা অনিনা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোক্কদবা মীফম অসিগা লোয়ননা লৈবাক অনিগী ওইবা ঙাকশেল ইন্দষ্ট্রিয়েল কো-ওপরেসননচিংবা লম কয়াগী মতাংদা খন্নগনি। মখোয়না মালেমগী হৌজিক

ওইরিবা ৱাফমশিংসু খন্নগনি।

শ্রী রাজনাথনা মোস্কোদা লৈবা 'দ টোম ওফ দ অন্নোন সোলজর'দা ইকাই খুমবসু উৎকনি। মন্ত্রিনা লৈবাক অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংগসু হকথেংননা উনগনি হায়রি।

**বৈষ্ণো ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ১৩ দা প্রয়াক রাজতা চৎত্রিঙৈগী মাংওইননা রেলৱে মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা মফম অদুদা পাঙথোক্কদৌরিবা মহা কুমভ মেলাগী শেম শারিবশিং অদু য়েংশিনখ্রে। মন্ত্রিনা প্রয়াগরাজতা লৈবা রেলৱে ষ্টেসন ৫ শু য়েংশিনখি।

পাউমীশিগা উনবদা শ্রী বৈষ্ণোনা হায়-হৌখিবা চহী অনি অসিদা মহা কুমভ মেলাগীদমক লূপা কোতি লিশিং ৫ চংনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক চৎথখি। মহাকা হায়-মেলা অসিগীদমক অখন্নবা রেল গারি লিশিং ৩ চেনগনি। মেলা অসিগী মনুংদা পুন্না রেল গারি লিশিং ১৩ চেনগনি।

শ্রী বৈষ্ণোনা হায়-লাই খুরুম্বা লাকপা জাত্রিকশিংগীদমক্তা অযোদায়াদগী প্রয়াগরাজ ফাওবগী রিংত্রেন থৌরাং তৌরি। মসিনা জাত্রিকশিংদা সহর অনি অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

**হোক্কীঃ** ওমানগী মস্কেটতা চৎথরিবা ৱিমেন্স জ্নিয়র এসিয়া কপতা হোক্কীগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা ভারতনা বংলাদেশপু পাঞ্জল ১৩-১ দা থোইখ্রে। ভারতনা ঙসি নুমিদাং পুং ৮ মখায়দা মালেসিয়াগা থেংনগনি। ভারতনা করিগুম্বা ঙসিগী মেটচ অসি থোইবা তারবদি ভারত মথং চহীদা চিল্লিদা পাঙথোক্কদবা জ্নিয়রস ৱার্ল্ড কপ হোক্কীগীদমক ক্বালিফাইট ওইরগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

আর.পি.আই অথৱালেনা শিন্দুনা জন্তর মন্তরদা ষ্টেট কয়াগী লূচিংবশিং য়াওনা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ, ইন্দিয়া ব্লোকনা জন্তর মন্তরদা খোঙজং

চংশিন্নবা পার্তি কয়াগী লূচিংবশিং য়াওনা মীফম পাঙথোকখিবা অমসুং মণিপুরদা নোংমৈ লল্লোনবদা চেন্নবা অহুম এন.আই.এনা মিজোরামদগী ফাখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাডচেশিংগী মরু ওইবা পাউ ওইরি।

খামদ্রিবা মণিপুরগী লান: দেল্লিসু ইম্ফালসু খোঙজংনা পিক থল্লে হায়না হুইয়েন লানপাউদা বেনর হেদলাইন তৌরি। দেল্লিদা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ অসি-পোকফম অমসুং ইচেল এক্সপ্রেসতসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা অহানবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

ইন্দিয়া ব্লোক্কী দিল্লি খোঙজং অয়াবা পীদ্রবসু ঙসি খোঙজং চংশিনগদৌরি হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি। পোকফম, হুইয়েন লানপাউ, ইচেল এক্সপ্রেস অমসুং সনালৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদা নোংমৈ লল্লোনবদা চেন্নবা অহুম এন.আই.এনা মিজোরামদগী ফারে হায়বা পাউ-মণিপুর নিউজ, সনালৈবাক, অমসুং সঙাই এক্সপ্রেসকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

পাউমাই নাগা য়ুনিয়ননা এন.এস.সি.এন য়াওনা নাগা লূপশিংদা শৌগৎপা তোকখে হায়বা পাউ-সেনাপতিদা ফোঙবা হিলজ হোর্ণবিল এক্সপ্রেস অমসুং তামেংলোংদা ফোঙবা গানফিউ মেলদা অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি-ইচেল এক্সপ্রেস, মণিপুর নিউজনচিংবা পাউচেশিংদসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

ইন্টরনেটকী অথিংবা হন্দোকবা সি.ও.এ.আইনা টেলিকোম দিপার্টমেন্টতা

তকশিনখ্রে, হিংশাগী থৌদোকা এন.আই.তিগী কেম্পস রিক্রুইটমেন্ট দ্রাইভ হন্থখ্রে হায়না মণিপুর নিউজকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকিশিংনা তাবা লৈবাক অসিগী মফম পুমমক্তা রেল্লি চৎনবা ৱারেপখে, মণিপুরগী য়াওদনা অৱাং নোংপোক্কী সি.এম খুদিংমক উনরগনি-কে.জেট.সী -হায়বা পাউ সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী লানগী পাউ ইবগীদমক 'দ হিন্দু'গী দিপ্যুতি ইদিতর বিজয়াতা সিনহাদা এৱার্দ পীখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।